ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

WAYEL KATI

Vol. 1, Issue 289 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৪ | ইম্ফাল, শজিবুগী ২৫ নি পানবা, নোংমাইজিং, এপ্রিল ১২,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–


## মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিস থিংবা নুমিৎ নিনি শাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরদা অকায়বা পীরকপা য়াবা থৌদোক কয়ানা মরম ওইরগা ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টনা ইন্টরনেট সার্ভিস অমসুং মোবাইল দাটাশিং থিংবা নুমিৎ নিনি অমগা শাংদোকখ্রে। অথিংবা অসি ঙসি এপ্রিল ১২গী নুংথিল পুং ২দগী পারগা নুমিৎ নিনি শাংদোকপদু লৌগনি হায়রি। অথিংবা অসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙা খক্তদা চৎনগনি।

## কার্ফিয়ু কোমথোক্লে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ষ্টেট অসিগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৫দা থল্লকপা কার্ফিয়ু হয়েংগী ওইনা অয়ুক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্লে হায়না মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা হায়রি

## ডা.পালিন চেয়রমেন খল্লক্লে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ ইন্সটিট্যুটকী চেয়রমেন কম মেনেজিং দাইরেক্টর ডাঃ পালিন খুন্দোংবমবু কন্সোর্টিয়ম ওফ এক্রেদেটেদ হেল্‌ঠ কেয়র ওর্গনাইজেসন, নোর্থ ইষ্ট জোনগী চেয়রমেন ওইনা খল্লক্লে।

## মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** য়ুনিভর্সেল ষ্টদি সেন্টর, ইম্ফালনা চহীগী ওইনা পুথোক্কদবা মতম্‌গী মণিপুর খূৎলায় '৮শুবা মশিং' ফোঙবগী থৌরম অমা হয়েং পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদু মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি থোকচোম গোপিমোহোননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ত্রোংলাওবীদা পীল্লিবা অঙাং অনী বোম কাপশিন্দুনা হাৎখিবা অমদি সি আর পি এফনা মীচম ৩ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ক্বাকৈথেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ক্বাকৈথেল গী কৈথেল শঙদা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মীচম হাৎপা সি আর পি এফ চৈরাক পীগদবনি, গো বেক সেন্ত্রেল ফোর্সেস হায়বনচিংবা প্লেকার্দ থেৎখি।

## রিমসনা অনীশুবা তারে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ৱার্ক ফোর্স ১,০০০দগী ২, ৫০০ ফাওবা লৈবা কেটগোরিতিগী কর্ম্ম যোগি সাদানা সপ্তাহদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসনা ২শুবা তারে। রিমস ইম্ফালগী মেদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রেগুলর ইমপ্লোইগী মশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা রিমস ইম্ফালনা এইমস কুম্বা মরু ওইবা ইন্সটিট্যুটশিংগা চাংদম্নখি হায়রি।


## চেম্পিয়নশিপ য়ৈথোক্লে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** দি যোগা ফিজিক ইন্সটিট্যুট এন্দ ষ্টদিজ মণিপুরনা শীন্দুনা এপ্রিল ১৭ত্তী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা ২৮শুবা ষ্টেট লেবেল যোগ ফিজিক চেম্পিয়নশিপ ২০২৬ লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না ২৮শুবা ষ্টেট লেবেল যোগ ফিজিক চেম্পিয়নশিপ ২০২৬কী কনভেনর এ দেবনন্দ সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

### মফম কয়াদা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎনরি, ৱাকৎ মীফমসু ফম্নরি

# 'পুং ৪৮গী মনুংদা মিলিটরি ক্রেকদাউন তৌগনি হায়খিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকউ'

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা বোম পোকখায়হন্দুনা চহী নৌরিবা মচিন– মৌপ্পা হাৎখিবা অমসুং মীয়ামগী মোব লাকশিন্ননবা সি আর পি এফনা নোংমৈ কাপ্পদা নহা ৩ শিখিবগী থৌদোক্কী মতুংদা মীয়াম্না অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎনরি। মফম কয়াদনা ৱাকৎ মীফম ফম্নরি।




পুং ৪৮গী মনুংদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগী মথক্তা মিলিটরি ক্রেকদাউন তৌগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা হায়খিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকউ হায়না মোইরাংকম্পু য়ুনিয়ন ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সুরকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি টিদ্দিদ রোদকী নাকল য়েৎ–ওয়দা লৈরিবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিং য়াওনা ত্রোংলাওবী থৌদোক্তা অঙাং অনী লৈখিদবা য়াওনা লৈখিদ্রবা মীওই ৫গী মফম্দা মৈরা কৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা খেৱা বজারদা পাঙথোকপগী অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মখা তানা হায়, কুকি মিলিটেন্টশিংনা ময়ূমদা তূমদুনা লৈবা অঙাং অনী বোম কাপশিন্দুনা হাৎখিবা অমদি মতুং তারকপা মীয়ামগী ঈহৌদা সি আরা পি এফনা মীচম ৩ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবসু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্না হিরম অসিগী মতাংদা মশক থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎত্রি হায়খি।

ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও বিত্রাদা ত্রোংলাওবীগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা কোকোমিগী এদভাইজর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা হায়, লৈবাক থুগায়নবা হোৎনরিবা মীতোপশিং থেংনবগী মহুৎতা লৈঙাক্না মীয়ামগী ঈহৌ নাথৈনবা হোৎনদুনা ইরৈপাক কন্নবা চেল্লি চোংলিবশিং ফানবা হোৎনদুনা লৈরে হায়খি।

অমরোমদা, ত্রোংলাওবী থৌদোক্তা চেন্নবশিং অথুবদা এক্সন লৌখৎলু, থৌদোক অমা হেক থোকপগা এন আই এদা কেস শীন্নগদবা ওইরগদি মণিপুর পুলিস লৈবীরনু হায়দুনা ৱাংজিং লোমদগী মশিং য়াম্লবা নহাশিংনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ রোম তারকপদা থৌবাল তম্না রেল্লি চৎখি। মশিং য়াম্লবা খোঙজংলোইশিং অদুদা খাঙবোক্তা লৈবাক্তা এস পিগী ওফিস মমাঙ য়ৌরকপদা পুলিস য়াওনা মশিং য়াম্লবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থীংখি। তুংদা রেল্লি লাক্লিবা নহাশিংগা পুলিসকা ৱারী শান্নরবা মতুং ইংনা চীক্লা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ ফাওবা মখা তানা চৎহনখি। তুংদা রেল্লি চৎলিবা নহাশিং অদুনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ য়ৌরগা মমায় লৈদুনা হল্লকপগী লম্বীদা থৌবাল অথোকপমগী অরোং থোং য়ৌরকপা নুমিদাং পুং ১০ঃ৩০ রোম তারকপদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপশিন্দুনা মীয়াম তানখায়রকখি হায়রি।

# ৱিমেন রিজার্ভেসন বিলগী য়েংলগা বি জে পিনা এম পি খূদিংমক হাউসতা লৈনবা খঙহনখ্রে

### কোংগ্রেসঃ বিল পুথোক্ত্রিঙৈদা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম কৌ

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ৱিমেন্স রিজার্ভেসন এমেন্দমেন্ট বিলদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লগা এপ্রিল ১৬ তগী হৌরগা নুমিৎ হুমনি চূপ্পা পার্লিয়ামেন্টকী স্পেসিয়েল সেসন পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলিঙৈগী চৈরক্তা কোংগ্রেসনা ওল পার্টি মীটিং অমা মাঙজৌননা কৌরগা হিরম অসিগী মতাংদা খন্নগদবনি হায়না তকশিল্লকখ্রে।



নাকল অমরোমদা বি জে পিনা লাইন অহুমগী হ্বিপ চল্লাইদুনা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা লৈরিবা পার্টিগী মেম্বর খূদিংমক মীফমদা শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়ানবা খঙহনখ্রে।

রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লিদরসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী নেস্নেল প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খার্গেনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম হৌদ্রিঙৈদা পার্টি পুম্নমক্কী মীফম কৌবীনবা তকশিনখি। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি খরদা পাঙথোল্লিবা এসেমব্লিগী মীখল এপ্রিল ২৯দা লোইগদবনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌরক্লিবসি তাং চাদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরদা থাবা অখন্নবা চেরোল অমনা খার্গেনা হায়খি, এপ্রিল ১৬তগী মীফম পাঙথোক্তুনা পার্লিয়ামেন্টতা নারি শক্তি বন্দন অধিনিয়মগী মরুমদা খন্নগদৌরিবসি মতাং মতম চাদে। ওপোজিসনগা মাঙজৌননা তান্নরম্বা তৌদনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম কৌরকপনা হন্দক্কী মতাং অসিদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী কো–ওপরেসন পীবা ৱাৎকনি। লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা দিলিমিটেসনগী মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা লোইদ্রিঙৈদা ৱুমেন রিজার্ভেসন বিল পাস তৌনবা হোৎনরকপা মরম চাদে। খুদক্তা পোলিটিকেল পার্টি অপূনবগী মীফম কৌদুনা হিরম অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খন্নবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, বি জে পিনা লাইন অহুমগী হ্বিপ চল্লাইদুনা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা লৈরিবা পার্টি অসিগী মেম্বর পুম্নমক এপ্রিল ১৬তগী ১৮ ফাওবা মীফমদা শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়াগদবনি হায়না খঙহনখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমদি মেম্বর খূদিংমক হাউসকী মীফমদা শরুক য়াগদবনি। কনাগুম্বা মেম্বর অমত্তদা ছুতি লৌনবগী অয়াবা পীরোই হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা ৱুমেন্স রিজার্ভেসন বিল পাস তৌবদা শৌগৎপীনবা খঙহনখ্রে। নুপীদা অহেনবা মতিক ময়াই পীগদবা থৌরাং ওইগদবনা এমেন্দমেন্ট বিল অসিদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন হায়বা খায়দনা পার্টি খূদিংমক্না পূন্না সপ্পোর্ট তৌমিন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

### মপাল্লমগী পাউ

## ইস্লামাবাদতা য়ু এস অমসুং ইরান ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রে

**ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ১২ঃ(ৱায়েল কাতি)ঃ** লান লোইশিন্নবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইরান্না ইস্লামাবাদতা ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রে। পাকিস্থান্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা নাকল অনী পুং ২১ হেন্না ৱারী শান্নবদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী ভাইস প্রসিদেন্ট জে দি ভেন্সনা এয়রফোর্স টু তোঙলগা ৱাশিংতন মায়কৈ পাংখি। নাকল অনীনা চয়োল অনীগী ওইবা সিজফয়ার লাউথোক্লরগা মতম পূম্বগী ওইনা লান লোইশিন্নবগী পান্দমদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট জে দি ভেন্সনা হায়খি, ৱাশিংতন্না পুখৎপা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংদা ইরান্না অয়াবা পীরকখিদবনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী ৱারী শান্নবা অদু য়ান্নবা ঙমখিদবনি। নাকল অনী য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদবনা য়ু এস খক্তদা নত্তনা ইরান্দসু চাওনা মাঙজবা ওইহল্লগনি। অমরোমদা ইরানগী ওফিসিয়েলশিংনা হায়, য়ু এসনা কা হেনবা অমসুং পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা ৱাফম কয়া পুখৎলকপনা ইরানগী মায়কৈদগী অয়াবা পীখিদবনি হায়রি।

## শক্লাইরবী শৈশকপী আশা ভোশলে মশাগী চহী ৯২ শুবদা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** শক্লাইরবী শৈশকপী আশা ভোশলে মশাগী চহী ৯২ শুরকপদা কার্দিয়াক এরেষ্ট তৌবদগী লৈখিদ্রে। নীংশা শ্বর হোনবদা খূদোংচাদবা মায়োক্লরকপদগী মহাকপু মুম্বাইদা লৈবা ব্রিচ কেন্দি হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। হোস্পিটাল অদুগী ডাক্তর প্রটিট সন্দানিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না শৈশকপী অদু ঙরাং কার্দিয়ক এরেষ্ট তৌরকপদগী ইমর্জেন্সি মেদিকেল সার্ভিস য়ুনিটতা থমদুনা লায়কন্নরকখিবনি। শাংলবা চহী ৮০ রোম হেন্না ঈশৈগী লমদা খোঙদাদুনা লাকখিবা আশা ভোশলেনা তোঙান তোঙানবা লোলদা ঈশৈ লিশিং ১২ হেন্না শক্লম্মী। গজলদগী হৌরগা কেবরেট নম্বরনচিংবা মহাক্কী মমিং চৎলবা ঈশৈ কয়ামরুম লৈরি। শক্লাইরবা ম্যুজিক দাইরেক্টর কয়াগা খূৎশম্নদুনা মমিং চৎলবা ঈশৈ কয়া শক্লম্বী শৈশকপী অসিনা কুমজা ২০০০ দা লেমজনিংঙাই ওইরবা দাদা সাহেব ফলকে এৱার্দ অমসুং কুমজা ২০০৮ দা পদ্মা বিভুষন ফংখি। নেস্নেল ফিল্ম এৱার্দ কয়াসু ফংখিদ্রবী শৈশকপী অসিনা লৈখিদবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনচিংবনা অৱাবা ফোঙদোরকখ্রে।

## ইপুরোইবনা লৈবাক অসিগী থৌগাই পুরিঙৈ ইচাশিং ঙাকপী শেনবীনবা কনাসু লৈরমদ্রেঃ ওইনাম বিনিতা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা পীল্লিবা মচা অনীগী মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা মীয়াম্না লৌরকপা ফিরেপ্না অরোইবা ওইগনি হায়না ত্রোংলাওবীগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনীগী অপোকপী ওইনাম বিনিতানা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা তাং ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিং নোংয়াই মতুংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা ফিভম লুনা শোকপদগী হৌজিক হৌজিক রাজ মেদিসিতিদা লায়েং চথুরিবী বিনিতাগা পাউমীশিংগা উন্নবদা ৱাফম অসি মহাক্না ফোঙদোরকখিবনি। থৌদোক অদুদা বিনিতা ফিভম লুনা শোকপদগী রাজ মেদিসিতিগী আই সি য়ুদা লৈরকখিবগা লোয়ননা ওপরেসননচিংবসু পাঙথোকপা লৈখ্রে। হৌজিক্তি ওইনাম বিনিতাগী হকচাংগী ফিভম ফগৎলকপদগী দিলক্স ৱার্দতা হোংদোল্লগা লৈরমখি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা বিনিতা হায়, তমথিরবা মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা চৈরাক পীদ্রিবা ফাওবা মহাক্কী থৌনা হল্লোই। দিফেন্সতা লৈবা মপুরোইবনা লৈবাক অসিগী থৌগাই পুবা চৎখ্রিঙৈ মতমদা মহাক্কী মচাশিং ঙাকপীনবা কনাসু লৈরমদ্রে হায়না মহাক্না থম্মোয় শোক্না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, সেক্যুরিতি ফোর্সকী পার্সনেলশিংনা ঙাকপী শেনবীরি হায়বগী ৱাখল্লোনদা য়ূমদা মচাশিংগা লোয়ননা লৈরকখিবনি। অদুবু তুম্লিঙৈদা তমথিরবা থৌদোক অসি মচা অনী শেৎনহনখ্রে। সেক্যুরিতিনা ঙাক্লিবা মফম ফাওবদা মীচমগী থৱায় মাঙলবা অসিনদি সেক্যুরিতি ফোর্স লৈবগী ৱাহন্থোক করিনো হায়না মহাক্না নিংঙমদনা হংলকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ঙাকপী শেনবীরমদ্রবদি মমা ওইবীশিংনা মচাশিংবু অহিং তূমদবা মখে শঙদুনা লৈরমগদবনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

## লৈঙাক্না চপ চাবা এক্সন লৌখৎত্রিফাওবা মীয়ামগা খোঙজং চঙশিনখিগনিঃ কোকোমি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্তা চহী নৌরিবা অঙাং অনী লৈখিদবা অমসুং মতুং তারকপা মীয়ামগী ঈহৌদা সি আর পি এফনা নোংমৈ কাপ্পদা মীচম ৩ শিখিবগী মতাংদা লৈঙাক্না চপ চাবা এক্সন লৌখৎত্রিবফাওবা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না কোকোমিগী আই পি আর সব–কম্মিটিগী কনভেনর পি ঐচ শ্যামচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এপ্রিল ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা শাফু কল্লবা রোকেট প্রোপেট গ্রেনেদ (আর পি জি) কাপশিন্দুনা অঙাং অনী হাৎখিবা থৌওং অসি মালেমদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা খ্বাইদগী তমথিবা থৌওংনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খোইশাওনরবা মীয়াম্না মনাক নকপদা লৈরিবা সি আর পি এফকী কেম্পতা পেন্দবগী খোঙজং চঙশিনবদা সি আর পি এফকী পার্সনেলশিংনা খূৎলায় পায়জদবা মীচম মীয়ামদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীওই ৩ হাৎখি অমসুং কয়া অমনা অশোক–অপন নংহনখি। অসিগুম্বা তমথিরবা মীহাৎ অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনচিংবনা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোক্তনা তুমিন্না লৈশিনবা হায়বসি মণিপুরগী মীয়ামবু ইন্দিয়াগী সিটিজেন অমা ওইনা উবা ঙমদে হায়বা ময়েক শেংলে। মরম অদুনা মীশি অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না চপ চাবা এক্সন লৌখৎত্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

## পোলিটিকেল সোলুসন পুরক্ত্রিফাওবা বফর জোন লানবা য়াখিরোই

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** পোলিটিকেল সোলুসন পুরক্ত্রিফাওবা বফর জোন লানবা য়াখিরোই হায়না ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম (আই টি এল এফ)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মৈতৈ ফুরুপকী মীওইশিং চুড়াচান্দপুর দা চঙবা য়াহন্দবগী মতাংদা থল্লিবা অথিংবা মখা তানা অদুমক চত্থরি। পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা অমসুং ইং তপ্পা ফিভম কায়হন্দনবা মণিপুর মরী লৈনবশিংনা বফর জোনগী কাঙলোন নিংথিনা ঙাক্কদবনি। আই টি এল এফকী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না, লাক্লিবা মে ৩দা ৱাল ওফ রিমেম্ব্রেন্সতা সেপরেসন দে পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবা লোইরে। থৱায় থাখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকাই খূম্নবা উৎপা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে। মীয়ামগী পান্দম ফংনবা হোৎনবদা মরী লৈনবশিংনা অঙন্বা থাক্তা থৌদাং লৌবীয়ু। সেপরেসন দেগী থৌরম মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা আই টি এল এফ ৱুমেন্স ৱিংনা মীয়ামদগী ফন্দ খোমগৎপগী থবক পায়খৎলগনি। মীয়ামনসু অঙন্বা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

## লম্লাই কেন্দ্র অপূনবা ক্লব, মৈরা পায়বীনা শীন্দুনা ইম্ফাল–উখ্রুল লম্বী থিংখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ত্রোংলাওবী থৌদোক্কী মায়োক্তা লম্লাই কেন্দ্র অপূনবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীগী কো– কনভেনরনা খোঙজং লাউথোক্লুবগী পুলিসনা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা নোংঙাদা অমদি লৈমখোং মপালদা মীয়াম হৌরক্তুনা ইম্ফাল উখ্রুল লম্বী থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা লম্লাই কেন্দ্র অপূনবা ক্লব অমদি মৈরা পায়বীগী কনভেনর ফৈরোইজম বিজোয় প্রতাপনা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং নোংঙাদাদা পাউমীশিংগা উন্নবদা কো–কনভেন্নর সঞ্জয় মংসাতাবমনা ত্রোংলাওবী থৌদোক্কা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখি। লাউথোকখিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুমিদাং মৈরাগী খোঙচৎ অমা চৎখি। ৱাকৎ খোঙচৎতা শরুক য়াখিবশিংনা নোংঙাদাদা লৈবা লম্লাই কেন্দ্রগী এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচাগী য়ূমদা চঙলগা মেমোরেন্দম পীশিনখি। খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংগা পুলিসকা মুক্লরকপদগী টিয়ার গ্যাস কাপ্পা য়াওনা থৌদোক খরা থোকখি। মদুগী মতুং ঙসি অয়ুক অঙনবদা পুলিসনা সঞ্জয়বু ফারগা পুখিবনি। মহাক থাদোরক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌরদুনা লম্বী থিংজিনখিবনি হায়রি।

## উরিপোক অপূনবা লূপনা শীন্দুনা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ত্রোংলাওবীগী মীহাৎ জুদিসিয়েল ইনক্বারি তৌগদবনি, কুকি টেরোরিষ্টশিং মণিপুরগী লৈমায়দগী মুখৎকন্দবনি হায়বনচিংবা দিমান্দ কয়ামরুম তৌরদুনা উরিপোক অপূনবা লূপ অমদি উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা উরিপোক কাংচুপ রোদকী য়ুনাইটেদ ফ্রেন্দস লাইব্রেরি এন্দ ক্লব লম্প্লোইখোঙনাংখোঙদগী হৌরগা ফ্লাই ওভর ফাওবা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। মীয়ামগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ত্রোংলাওবীগী টেরোরিষ্ট এটেক্কী থৌওং অমদি থৌদোক অদুগী তুংদা পেন্নদ্রবা মীয়াম্না সি আর পি এফ কেম্পতা খোঙজং চঙশিনবদা মীচম অহুম শিখিবা, কয়া অমনা অশোক–অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌনখি। উরিপোক মীয়ামগী অপান্বদি ত্রোংলাওবীগী থৌদোক এন আই এদা শীজিন্নদুনা থিজিনবা হৌরিবসি খ্বাইদগী অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা মরাল লৈবশিং ফাদুনা চৈরাক পীবনি। অদুগা সি আর পি এফনা নোংমৈনা কাপ্পদা মীচম ৩ শিখি অমদি কয়া অমনা শোকখিবা থৌদোক অদুসু জুদিসিয়েল ইনক্বারি তৌগদবনি।

# নুমিৎ খূদিংগী থুম কা হেন্না চাবনা হকচাংগী কয়াৎশিং শোকহল্লকইঃ রিসার্চ

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ঃ** মীওইবনা হকচাং ফনা লৈনবগীদমক অকক্লবা চাংদা থুম চাবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।



থুমদা য়াওবা সোদিয়মনা হকচাংগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিং মথৌ তৌবদা মতেং পাংলবসু হেঞ্জিন্না চাশিল্লবদি খূদোংথিনিংঙাই ওই। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনা নোংমদা মপুং মরৈ ফারবা মীওই অমনা থুম মিল্লিগ্রাম ২,৩০০ (চাগী চামচ অমা) দগী হেন্না চারোইদবনি হায়না গাইদলাইন পীরি। অদুবু ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন দব্লিউ ঐচ ও নোংমদা থুম মিল্লিগ্রাম ২০০০ দগী হেন্না চারোইদবনি হায়রি।

কা হেন্না থুম চাবনা থোকহল্লকপা য়াবা খূদোংথিবশিংগী মতাংদা রিপোর্ট অসিনা হায়, থুমদা য়াওবা সোদিয়মনা মরম ওইরগা হকচাং মনুংদা ঈশিংগী শরুক তুংশিন্দুনা লৈবনা ঈ উতোংশিংদা অহেনবা পোৎলম পীবদগী ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকই। ব্লদ প্রেসর ৱাংবা হায়বসি তোঙান তোঙানবা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লক্লবগী মরু ওইবা মরমনি। মসিনা মরম ওইরগা ষ্ট্রোক অমদি হার্ট এটেক তৌদুনা মী শিহনবা য়াই।

থুমদা য়াওবা সোদিয়মনা কিদনিগী মথৌ তৌবদা অপনবা থোকহল্লি। মতম শাংনা কা হেনবা মওংদা থুম চারবদি কিদনিনা মথৌ তৌবা ঙম্বগী চাং হন্থরক্তুনা কিদনি ফেল ওইরকপা য়াই। হকচাংনা লৌশিল্লিবা সোদিয়মগী শরুক অয়াম্বা নুমিৎ খূদিংগী মচল অমা ওইবা তারবসু কা হেন্না চাশিল্লবদি খূদোংথিনিংঙাই ওইরকই। সোদিয়মগী চাং হন্থনা চারবদি ব্লদ প্রেসরগী রিস্ক হন্থহনবগা লোয়ননা থম্মোয়গী লায়না অমসুং অতৈ অতোপ্পা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। পুম্নমক অসি ওইদুনসু মীওই অয়াম্বনা থুম চাবগী চাং হন্থহনবা ঙমদ্রি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি চিঙ্গাক্কী মহাও লৈহন্নবনি হায়দুনা থুম মরাং কায়না থাকচিনবননি।

মতম শাংনা থুমগী চাং ৱাংনা চাদুনা লাক্লবা মীওই অমনা খুদক্তগী হেক্তা থুমগী চাং হন্থনা চাবা মতমদা চিঙ্গাক্কী মহাও য়াওদবা মরমনা চারি থক্লিবা চিঙ্গাক অদু পুক থন্না চাবা ঙমদে। মীওই অয়াম্বনা কা হেন্না থুম চাশিনবা ফৎতে হায়বা খঙলবসু মহাওগীদমক খল্লগা থুমগী চাং হন্থনা চাবা ঙম্নদে। চীঙ্গাক্কী মহাও হন্থরক্লবদি চাবগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইরগা হকচাং শোকচিল্লকই। মরম অদুনা মীওই অয়াম্বা থুমগী চাং হন্থনা চানবা চারিবা থুমদগী নৎতে। রেষ্টুরেন্ট অমদি হোটেলদা য়োল্লিবা অচা–অথকশিং চাবদগীনি। ব্রেদ, পিজা অমদি কৌতা হাল্লগা য়োল্লিবা শুপ্তগীসু হকচাংনা সোদিয়মগী চাং কা হেন্না ৱাংনা ফংই। পেকেটতা হল্লগা য়োল্লিবা চীফ অমদি মখল কয়াগী ক্রেকর চাবনসু হকচাংদা সোদিয়মগী চাং হেঙ্গৎহল্লি।

মীওইবনা মশা মউফম্না লৈনবগী মতাংদা সোদিয়ম হায়বসি তঙাইফদ্দনা চঙদবা য়াদ্রবা থৌরাং লৌখৎনদে হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং পল্লদুনা রিপোর্ট অসিনা হায়, খুদক্তা থূম চাবগী চাং কা হেন্না হন্থহনবগী মহুৎতা নোংমগী শরুক খরা খরা হন্থহনগদবনি। মসিনা চিঙ্গাক্কী মহাও মাঙহনবা তৌদনা থুম চাবগী চাং তপ্পা তপ্পা হন্থহনবা ঙমগনি।

অতোপ্পা থৌরাং অমনা , থোং থাকপা মতমদা জিরা, ফদিগোম মৱূ, শিং অমসুং চনমগী চাং খরা হেন্না হাপ্লবদি চাং খরা হন্থনা থুম থাক্লবসু চীঙ্গাক্কী মহাও মাঙহল্লোই। চম্প্রা, মঙ্গে অমদি ভেনেগরনচিংবা হাপ্লগা থোং–থাকপনসু থুমগী চাং হন্থহনবদা চাওনা মতেং ওইনগনি। নুমিৎ খূদিংগী থোং থাক্লিবা ইঙ্গাংদা থুমগী চাং হন্থনা থাক্লগা মোনো সোদিয়ম গুতামেদ (এম এস জি) ইঙ্গাংগী মহাও হেঙ্গৎহনগনি অমসুং থুম চাবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌখৎকদবা থৌদাংদি পীল্লিবা অঙাংশিংবু থুম কা হেন্না য়াওবা চীঙ্গাক পীজরোইদবনি।

## পেট্রিয়াটিক রাইটর ফোরম ত্রিপুরাগী ১৩শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল এপ্রিল ১২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** পেট্রিয়াটিক রাইটর ফোরম (পি এ দব্লিউ এফ), ত্রিপুরাগী ১৩শুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙরাং নুমিদাংৱাইরম দাশারট দেব মেমোরিয়েল ওদিটোরিয়ম, অগরতালাদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরগী ত্রোংলাওবীদা পীল্লিবা অঙাং ২বু বোম কাপশিন্দুনা তমথিনা মীহাৎ থীনা হাৎখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা পীল্লিবা অঙাং ২গী থৱায়না ঈংনা চীক্লা শেন্বীবা মপু মাগী নাক্তা পোত্থাজরুনবা থৌনি থৌরম পাঙথোক্তুনা ১৩শুবা পি এ দব্লিউ এফ, ত্রিপুরাগী মপোক নুমিৎ থৌরম অদু পি এ দব্লিউ এফ, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খন্বা লুৱাংনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট লাঙ্গোলজম বিরমঙ্গোলনা অথোইবা মীথুংলেন, পি এ দব্লিউ এফ, ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম মধবীনা থৌরম মপু, পি এ দব্লিউ এফ, মণিপুরগী সেক্রেটরি রাকেশম নাওরেম, স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী রিটয়াদ এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর কোন্সম মাইকেলনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শক্লাইরবী ফোল্ক শৈশকপী বিনিতা লাইশ্রমনা স্পেসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা পি এ দব্লিউ এফ ত্রিপুরাগী সেক্রেটরি নিংঙোম্বম প্রানেনা হায়খিবদা, পেট্রিয়াটিক রাইটরস ফোরম, ত্রিপুরানা হেদ ওফিস ওইরিবা মণিপুরগী তেংবাংগা লোয়ননা ত্রিপুরাদাদা লৈবাক মীয়াম খঙনা অহানবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখিবতা নত্তনা মরুপ ওর্গনাইজেসননা পাঙথোক্তুনা লাকপা ইমালোলগী নুমিৎ অসিবুসু শৌগৎপীদুনা লেপ্তুনা মণিপুরী লোনগী নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ফোঙদোকখি।

